
HUEIYEN LANPAO

# ভিকাশ কৃষননা টর্কিগী সিপাল ওন্দরবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৩ ঃ

ইন্দিয়াগী ভিকাশ কৃষণনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নুপাগী কে জি ৭৫ গী মিদ্দল ৱেঠকী কাঙলুপতা টর্কিগী সিপাল ওন্দরবু ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

রিওসেন্ট্রোগী পেভিলিয়ন ৬ তা পাঙথোকখিবা বাউট অদুদা ইন্দিয়াগী চহী ২৪ দা ঙায়রিবা বোক্সর অসিনা মশক থোকপা পঞ্চশিং মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টতা মনম-মনম পীশিনখিদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। বাউটকী অহৌবগী সেকেন্দ ৩৬ তা টর্কিশ অসিগী মমিৎতা ভিকাশনা শাফু কন্না থিনখিবা পঞ্চনা ঈ চেন্থরকখি। মখা তানা অহানবা রাউন্দ অদুদা জজনা শান্নহন্দনা লেপহনখি।

অনীশুবা রাউন্দদা মশাগী চহী ২৯ শুরবা ভেটরান সিপালনা অহোংবা অমত্তা য়াওনা ভিকাশকী মায়োক্তা অশোনবা পার্ফোমেন্স পীখি। মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা জাম্বিয়াগী বিন্নি মুজিয়ো মায়থীবা পীরল্লগা চঙলকখিবা সিপালনা ভিকাশকী পঞ্চশিং ঙাক-থোক্নবগীদমক দিফেন্সতা শান্নখি।

মমাঙগী এসিয়ন গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট ভিকাশনা মখা তানা তকশিনদুনা মহাক্কী শাফু কল্লবা পঞ্চশিং অদু সিপালদা পীশিনখি। সিপালসু কাউন্টর এটেকশিং তৌরকখ্রবসু য়াম্না লায়না ভিকাশনা ঙাকথোককখি।

সিপালবু ৩-০ দা য়াম্না লায়না মায়থীবা পীখ্রবা ভিকাশনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা উজবেকিষ্টানগী বেক্টেমির মেলিকুজেবকা মায়োক্নদুনা থিন্নগনি। বেক্টেমির মেলিকুজেবনা কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়ন অসিবু ফাইনেল বাউটতা মায়থীবা পীরমখিবনি।

মেলিকুজেবনা কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল লৌখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা য়ুঠ ওলেম্পিক গেমসগী চেম্পিয়নসু ওইখি। ভিকাশনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবা মেলিকুজেব অসি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা লম্বা অমা ওইগদৌরি। মহাক্না মসিগীদমক অহেনবা ট্রেনিং তৌদুনা থেংননবা শেম শাবা হৌখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০১৫ দা এসিয়ন বোক্সিং ফেদরেসন্না বেষ্ট মেল বোক্সরগী এৱার্দ খুৎশিন্নখ্রবা উজবেকিষ্টানগী বেক্টেমির মেলিকুজেবনা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেনিয়েল লেৱিসপু মায়থীবা পীখি। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ভিকাশনা শরুক য়াখিদুনা প্রিলিমিনরি রাউন্দদা লৈহৌখিবনি। ভিকাশনা রিওদা মেদল অমা শুকশোয় শোয়না লৌননবগী অচেৎপা ফীরেপ লৈরি হায়রি।

# স্প্রিন্টর দুটিচান্দ মায়থীহৌখ্রে, অনাস অমদি অঙ্কিট, মনিশ সিংহসু রিওদগী মপান থোককখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৩ ঃ

মহাক্কী অহানবা ওইনা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারিবা স্প্রিন্টর দুটিচান্দনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী এথলেটিক্স ইভেন্টকী অহৌবা নুমিৎকী মিটর ১০০ গী হিটতা তরেৎশুবা পোজিসন তাখিদুনা নিংবা কায়না গেমস অসিদগী লৈহৌরে।

চহী ৩৬ কী মতুংদা মিটর ১০০ গী লমজেলদা ক্বালিফাই ওইখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী এথলেট দুটিচান্দনা ওলেম্পিক্স ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা মিটর ১০০ গী লমজেলদা ১১.৬৯ সেকেন্দ চেন্দুনা তরেৎশুবা পোজিসন তাখি। দুটিনা ১১.২৪ সেকেন্দ চেন্দুনা নেসনেল রেকোর্দ থমখিবা অদুদগী তাথনা চেনখিদুনা মায়থীহৌখিবনি।

নুপাগী ক্বার্টর মাইলর মুহম্মদ অনাসসু মহাক্কী হিটতা মায়থীদুনা লৈহৌরে। অদুগা লোংজম্পর অঙ্কিট শর্ম্মনা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমদনা লৈহৌদুনা ইন্দিয়াগী নিংবা কায়বা হায়বদু ওইখি। লেন সিক্সতা তাখিবা অনাসনা মহাক্না নেসনেল রেকোর্দ ওইনা থমখিবা ৪৫.৪০ সেকেন্দ অদুদগী সেকেন্দ খরা তাথনা ৪৫.৯৫ চেন্দুনা তরুকশুবা পোজিসনদা লৈহৌখি। হিট অদুদা কম্পিটিটর নিপান্না শরুক য়াখি।

কেরলাগী নুপামচা অসিনা ওভর ওল ওইনা কম্পিটিটর ৫০ না শরুক য়াখিবা নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেল অদুদা ৩১শুবা পোজিসন তাখি। হিট অসিদা অহানবগী অহুম ফাওবদা লৈবা এথলেট তরেৎ অমদি মথংগীদা খ্বাইদগী য়াঙবা অহুম অমসু সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী লোংজম্পর অঙ্কিট শর্ম্মনা লোংজম্পতা অনেম্বা পার্ফোমেন্স পীদুনা ১২শুবা পোজিসন তাখিবদগী গেমস অসিদগী মপান থোকখি। অঙ্কিট শর্ম্মনা মহাক্কী অহুমশুবা এটেম্পতা মিটর ৭.৬৭ খক্তমক শান্না চোংদুনা কম্পিটিটর ৩০ না শরুক য়াখিবা অদুদা ১২শুবা মফম কনবা ঙমখিবনি।

নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর শর্ম্মনা কজখষ্টানদা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোকখিবা রিওগী ক্বালিফাইয়িংদা মিটর ৮.১৯ শান্না চোংদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মহাক্কী অশানবা অসি মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা অদুদগী তাথরিবনি।

দুটিচান্দনা মহাক্কী হিট অদু লোইখ্রবা মতুং হায়খি, ইভেন্ট অসিগীদমক ঐঙোন্দা অহেনবা প্রেসর লৈখি। মদুমক্না ঐনা মায় পাক্না পাঙথোক্নবা হোৎনখ্রবসু নিংজিং মাঙজিংনখিদুনা লৈতাদবা হায়বদু ওইখি। ঐনা লমজেল অদু চেনখিবদা নার্ভস চৎখি। মফম অসিগী ঈশিং-নুংশিৎতা চাশিন্নদবা লৈখি অমদি ঐগী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু উৎপা ঙমখিদে। হিট অদুদা শরুক য়াখিবা পুম্নমকসু হৈনদবা ফাওবা উখি হায়না দুটিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী মনিশ সিংহনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নুপাগী কিলোমিটর ২০ রেস ৱাল্কতা ১৩শুবা মফম তাখিবদগী গেমস অসিদগী লৈহৌরে। মনিশনা রেস অদুদা ১:২১:২১ সেকেন্দ চেন্দুনা ১৩শুবা মফম কনখিবনি।

ইভেন্ট অদুদা চাইনাগী রন্নরশিংনা দোমিনেট তৌখি। চাইনিজগী জেন ৱাংনা ১:১৯:১৪ সেকেন্দ চেন্দুনা গোল্ড মেদল অমদি মহাক্কী কম্পেট্রোইট জেলিন কাইনা ১:১২:২৬ সেকেন্দ চেন্দুনা সিলভর মেদল লৌখি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেন বার্দ স্মিথনা ১:১৯:৩৭ সেকেন্দ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# শুটর মাইরাজ, গুনপ্রিটনা মখোয়-মখোয়গী ইভেন্টতা ১০শুবদা লৈখ্রে, শট্টলর মানু-সুমীথনা মপান থোকখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৩ ঃ

ইন্দিয়াগী শুটর মাইরাজ অহম্মদ খাননা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী স্কিট ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা ১০শুবা মফমদা লৈখ্রে।

ওলেম্পিক শুটিং সেন্টরগী শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোকখিবা নুপাগী স্কিট ইভেন্টতা খাননা রাউন্দ অহুমদা মথংশিংনা ২৪, ২৫, ২৩ লৌদুনা অপুনবা পোইন্ট ৭২ ফংখি। মশাগী চহী৪০ শুরবা উত্তর প্রদেশগী বুলান্দশর দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকখিবা এথলেট অসিনা সেমী ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাইদ ওইনবগী খুদোংচাবসু লৈখ্রে। ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা স্বিদেনগী মার্কস ইসভেন্সননা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) গী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা কুৱেটকী শুটর অব্দুলাহ অল-রাশিদিনা সেকেন্দ তাখি। ইজিপ্টকী অজনি মেহলবানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইসভেন্সননা মহাক্কী রাউন্দ অহুমদা পোইন্ট ২৫, ২৫, ২৫ লৌদুনা অপুনবা পোইন্ট ৭৫ ফংখি। অল-রাশিদিনা পোইন্ট ২৪, ২৫, ২৫ লৌদুনা অপুনবা পোইন্ট ৭৪ অমসুং মেহলবানা পোইন্ট ২৫, ২৪, ২৫ লৌদুনা অপুনবা পোইন্ট ৭৪ লৌখি।

অমরোমদা শুটর গুরপ্রিটনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টল ক্বালিফিকেসনদা মশক থোক্না কাপ্পা ঙমখিদবদগী তরাশুবা পোজিসনদা লৈহৌখি। গুরপ্রিটনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা অপুনবা পোইন্ট ২৮৯ লৌখি।

ইভেন্ট অদুদা জর্মনিগী খৃষ্টিয়ন রৈটজনা অপুনবা পোইন্ট ২৭৬ ফংদুনা ফার্ষ্ট তাখি। অদুগা ফ্রান্সকী জিন ক্নুইকাম্পোইক্সনা অনীশুবা অমসুং য়ুক্রেনগী পল্লো কোরোষ্টিলোনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী বেটমিন্টন দবলসকী জুরা মানু আট্রি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী বেটমিন্টনগী দবলসতা মায়থীহৌদুনা গেমস অসিদগী মপান থোকখ্রে।

মানু আট্রি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিনা চিনাগী চাই বাইও অমদি হোং ৱৈগী মখুৎতা ১৩-২১, ১৫-২১ দা মায়থীহৌখিবনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ২১ শুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা অহানবা গেমদা ১৩-২১ দা মিনিট ১৫ চঙনা শান্নখিবা অদুদা মায়থীখি। অনীশুবা গেমদসু ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা ১৫ -২১ দা মিনিট ১৭ চঙনা শান্নখিবা অদুদা চাইনিজগী মঙাশুবা রেঙ্কতা লৈরিবা জুরাগী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

মানু অমদি সুমীথনা মখোয়গী গ্রুপ দিগী মেচতা থংন-থংননা অনীরকশুবা ওইনা মায়থীদুনা মখোয়গী মখা তাবা রাউন্দ লৈরবসু কান্নখিদ্রে।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয়গী ওপনিং ইনকাউন্টরদা ইন্দোনেসিয়াগী মুহম্মদ অশান অমদি হেন্দ্রা সিটিৱানগী মখুৎতা ১৮-২১, ১৩-২১ দা মায়থীহৌখিবনি। ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা রিও ওলেম্পিক্সতা মেদল অমদি শুকশোয় শোয়দনা ফংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবগা লোয়ননা গেমস অসিদা শরুক য়ারকখিবনি। মখোয়না মখোয়গী মশক থোকপা পার্ফোমেন্সশিং মায়োক্নখিবা ওপোনেন্ট-শিংগী মায়কৈদা উৎপা ঙমখিদবদগী মায়থীহৌবগী মচাক ওইখি।

# সাইনা-বোপান্নানা মিক্স দবলসকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৩ঃ

সানিয়া মিরজা অমদি মহাক্কী পার্টনর রোহন বোপান্নানা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ইভেন্টতা ইংলেন্দগী এন্দি মরে অমদি হীথর ৱাটসনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দিয়াগী জুরা অসিনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা বৃটেনগী জুরাবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদু ইন্দিয়ানা দোমিনেট তৌনা শান্নখি। মিক্স দবলসতা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা অসিনা গেমস অসিদা মেদল অনী লৌননবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

করিগুম্বা ইন্দিয়ানা মথংগী মেচ অদু মায় পাক্লবদি য়ামদ্রবদা মখোয়না ফাইনেল চঙবগীদমক সিলভর মেদল অমদি শোয়দনা ফংগনি। করিগুম্বা মখোয়না মায়থীরগদি ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক প্লে-ওফ মেচ শান্নদুনা মেদল অমদি শোয়দনা লৌননবগী খুদোংচাবা লৈরগনি।

ওলেম্পিক্কী হিষ্টোরিদা ইন্দিয়ানা টেনিস মশান্নদা হৌজিক ফাওবদা মেদল অমখক লৌবা ঙল্লি। কুমজা ১৯৯৬ তা এটলান্টাদা পাঙথোকখিবা এটলান্টা ওলেম্পিক গেমসদা লিএন্দর পেসনা নুপাগী সিঙ্গলস কেটগরিদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী জুরা সানিয়া মিরজা অমদি রোহন বোপান্নানা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিবদা লিএন্দর পেসনা হরাউবা ফোঙদোকখি। হৌজিক সানিয়া মিরজা অমদি রোহন বোপান্নানা সেমী ফাইনেল মেচ মায় পাক্নবগীদমক অকনবা মিৎয়েং থম্বা হৌখ্রে।

# রোৱর দাটু ভোকনালনা সেমী ফাইনেলদা অনীশুবা তাখিদুনা ফাইনেল সিগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৩ ঃ

রোৱর দাটু ভোকনালনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী নুপাগী সিঙ্গলস স্কলসগী সি/দি টু গী সেমী ফাইনেলদা অনীশুবা পোজিসন তাখিদুনা ফাইনেল সিগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা অসিনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স অদু য়ৌবা ঙমদনা ৭:১৯.০২ মিনিট হোন্দুনা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে। ইভেন্ট অদুদা হঙ্গেরিগী বেন্দেগুজ মোলনার পিটরভারিনা ৭:১৮.৮৮ মিনিট হোন্দুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখি।

মহাক্কী শিংথানিংঙাই ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারিবা ভোকানালনা ৱর্ল্ড রেঙ্কিং ১৩ অমদি ১৮গী মনুংদা লৈনবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনরগনি। ভোকানালনা মহাক্কী ওলেম্পিক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স ওইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬:৫৯.৮৯ মিনিট হোন্দুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

মহাক্না অহানবগী মিটর ৫০০ ফাওবদি ১:৪৪.৮৮ মিনিট হোন্দুনা মাঙজিল থানা লাকখি অমদি অরোইবগী পন্থুংফম য়ৌগদবা মিটর ১০০০ খক্তমক ঙায়রক্লবা মতমদা ৩:৩৭.০০ মিনিট হোন্দুনা মায় পাক্না পার্ফোমেন্স উৎখি। মহাক্না মিটর ১৫০০ ফাওবদা ৫:৩০.৩৫ মিনিট হোন্দুনা হঙ্গেরিয়নদগী মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু অরোইবদা হঙ্গেরিগী বেন্দেগুজনা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকখি।

# ভিকাস গৌদা, মনপ্রিট কৌর, জিন্সন জোন্সন মায়থীখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৩ ঃ

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ৩১শুবা রিও ওলেম্পিক্সকী ইরাই নুমিৎতা হৌদোকখিবা ট্রেক এন্দ ফিল্ড ইভেন্টদা ইন্দিয়াগী এথলেট ভিকাস গৌদা, মনপ্রিট কৌর অমদি জিন্সন জোন্সননা মখোয় মখোয়গী ইভেন্টশিংদা মায়থীহৌদুনা লৈহৌরে।

ইন্দিয়াগী দিস্কস থ্রোৱর ভিকাস গৌদানা কম্পিটিটর ৩৪ না শরুক য়াখিবা দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা মিটর ৫৮.৯৯ শাননা লংদুনা ২৮শুবা মফমদা লৈখিবদগী মখা তাবা রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

মরিরকশুবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারিবা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা গৌদানা মিটর ৬৬.২৮ শান্না লংদুনা নেসনেল রেকোর্দ পায়রিবনি। মহাক্না মরেংজুমদা শোকপদগী মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদগী হৌনা কম্পিটিসন অমত্তদা শরুক য়াদনা লাকখি। গৌদানা কুমজা ২০১৪ গী কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা গোল্ড মেদল অমদি চহী অদুমক্তদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতা সিলভর মেদল লৌখিবনি। গৌদানা কুমজা ২০০৪গী এথেন্স অমদি কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্স গেমসদা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদ্রবা মতুং কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবসু ফাইনেলদা নিপানশুবা মফমদা লৈখিদুনা মেদল লৌবা ঙমহৌখিদে।

অমরোমদা নুপীগী শোট পুটতা নেসনেল রেকোর্দ থল্লিবী মনপ্রিট কৌরনা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিও ওলেম্পিক্সকী শোট পুট ইভেন্টকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মিটর ১৭.০৬ খক্তমক লংদুনা ২৩শুবা পোজিসন তাদুনা মথং রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখি।

কম্পিটিসন অদুদা এথলেট ৩৫ না শরুক য়াখি। মশাগী চহী ২৬ শুরবী অসিনা মিটর ১৭.৯৬ শান্না লংদুনা নেসনেল রেকোর্দ থল্লিবনি। মহাক্না রিওগী কম্পিটিসন অদুদা অহানবা অমদি অনীশুবা এটেম্পতা মিটর ১৬.৬৮ অমদি ১৬.৬৭ লংখি।

কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসগী গোল্ড মেদলিষ্ট ন্যুজিলেন্দগী ভেলিরি অদামসনা মিটর ১৯.৭৪ লংদুনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী মকোক্তা লৈখি।

নুপাগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা জিন্সন জোন্সননা ১:৪৭.২৭ সেকেন্দ চেন্দুনা ইভেন্ট অসিগী মথং রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। ৱর্ল্ড রেকোর্দ হোল্ডর কেনয়াগী দেভিদ রুদিশানা ১:৪৫.০৯ সেকেন্দ চেন্দুনা খ্বাইগী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। জোন্সননা কম্পিটিটর ৫০ না শরুক য়াখিবা ইভেন্ট অদুদা ২৫শুবা পোজিসন তাখি।

# রাফেল নদাল-মার্ক লোপেজনা দবলসকী টাইটল লৌখ্রে, পুইগ, কার্বরনা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল চঙখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৩ ঃ

রাফেল নদালনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসগী নুপাগী দবলস ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা মহাক্কী অনীশুবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা নুপাগী সিঙ্গলসতা সেমী ফাইনেল চঙখিদুনা অহুমশুবা গোল্ড মেদলগীদমক নক্না লৈখ্রে।

স্পেনিসকী মশক নাইরবা রাফেল নদালনা মহাক্কী মতম কুইনগী মরুপ মার্ক লোপেজগা পাদুনা ইরাই নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী দবলস ইভেন্টতা রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মার্গী অমদি হোরিয়া টেকাউবু ৬-২, ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সতা সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন ওইখিবা নদালনা ওলেম্পিক্কী সিঙ্গলস অমদি দবলসতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্বা মরিশুবা প্লেয়র ওইখ্রে।

মহাক্কী মায় পাকপগী মিংচৎ অসি মমাঙদা সেরেনা ৱিল্লিয়মস, ভেনস ৱিল্লিয়মস অমদি চিলিগী নিকোলাস মাসুনা ওইরিবনি।

মায় পাক্লবা মতুং নদালনা হায়খি, ঐগী মরুপকা পাদুনা মায় পাকখিবা অসি অঙকপা এক্সপরিয়েন্স অমনি। ঐখোয়না মশক থোক্না শান্নখি অমদি পীবা য়াবা পুম্নমক পীখি। ঐনা হৌখিবা থা অনীমখায় শান্নদনা লাকখি। প্রেক্টিসসু তৌখিদে অদুগা জিমদসু চঙদুনা শান্নখিদে। অদুবু ঐনা মশক থোক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা মায় পাকখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা মশাগী চহী ৩০ শুরবা নদালনা ব্রাজিলগী থোমাজ বেল্লুসীবু ক্বার্টর ফাইনেলদা ২-৬, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। মেজর টুর্ণামেন্ট ১৪ গী মপু ওইখ্রবা নদালনা সেমী ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টিনাগী মার্টিন দেল পেট্রোগা মায়োক্নদুনা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা মেচতা কুমজা ২০০৯ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন অমদি মখুদাং শোকপদগী চহী অমা চূপ্পা শান্নরুদ্রবা দেল পেট্রোনা স্পেনগী রোবার্টো বৌটিষ্টা ওগটপু ৭-৫, ৭-৬ (৭/৪) তা মায়থীবা পীখি।

অর্জেন্টাইন অসিনা রিও ওলেম্পিক্কী নুপাগী সিঙ্গলসগী অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচপু মায়থীবা পীরমখিবনি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন এন্দি মরেনা নুপাগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচতা জপানগী কৈ নিশিকোরিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

অনীশুবা সীদ মরেনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ষ্টেটী জোন্সনবু ৬-০, ৪-৬, ৭-৬ (৭/২) তা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে। মেচ অদুদা মরেনা অনফোর্স ইরর ৩৬ তৌখি। মেচ লোইরবা মতুং মরেনা হায়খি, মেচ অদু য়াম্না টফ ওইখি। কোর্ট অদুদা অকনবা নুংশিৎ শিৎখিবনা শান্নবদা অৱাবা অমা ওইখি হায়না মরেনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা জপানগী কৈ নিশিকোরিনা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসপু ৭-৬ (৭/৪), ৪-৬, ৭-৬ (৮/৬) তা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অরোইবদা মোনফিলসনা দব্বল ফোল্ট তৌখিদুনা টাই ব্রেক তাখি। মদুদা মহাক্না ৬-৩ দা মাঙজিল থানা লৈখি অদুবু অরোইবদা জপানিজনা ৭-৬ (৮/৬) তা মায় পাকখি।

নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা মোনিকা পুইগনা ফাইনেল মেচতা জর্মনিগী এঞ্জেলিগ কার্বরগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি। ফাইনেল মেচ অদুদা মোনিকা পুইগনা এঞ্জেলিক কার্বরবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী লৈবাক্কীদমক গোল্ড মেদল লৌননবগী চাউরবা আশা তৌখ্রে। মশাগী চহী ২২ শুরবী পুইগনা অনীরক ৱিমব্লেদনগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা পেট্রা কভিটোভাবু ৬-৪, ১-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন চেম্পিয়ন কার্বরনা অমেরিকাগী তরেৎশুবা সীদ মেদিসন কীজবু ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীরমদুনা ফাইনেল চঙখি। মেচ লোইরবা মতুং ৱর্ল্ড নম্বর ৩৪ দা লৈরিবা পুইগনা হায়খি, ঐনা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়বসি থাজবা লৈতে। অদুবু মালেমগী ওইনা ইকায় খুম্ননিংঙাই ওইরবা গেমস অসিদা গোল্ড মেদল লৌননবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# বিন্নি, মিশ্রানা ইন্দিয়াগী টি ২০ স্কাদতা য়াওখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১৩ঃ ইন্দিয়া অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজ অনীনা ফ্লোরিদাগী সেন্ট্রল ব্রোৱার্দ রিজনেল পার্কতা শান্নগদৌরিবা মেচ অনীগী টি২০ ইন্টরনেসনেল সেরিজদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী স্কাদ অমা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা লাউথোকখ্রবা টিম অদুদা মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা কেপ্টেন ওইনা লুচিংগনি। হায়রিবা মেচ অসি ওগষ্ট ২৭ অমসুং ২৮ দা শান্নগনি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ওল ইন্দিয়াগী সেনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিনা ৱেষ্ট ইন্দিজগা মায়োক্নদুনা ওগষ্ট ২৭ তগী ২৮ ফাওবা য়ু এসকী ফোর্ট লাউদরদেলগী সেন্ট্রেল ব্রোৱার্দ রিজনেল পার্কতা শান্নগদৌরিবা টি ২০ ইন্টরনেসনেল মেচ অনীগীদমক স্কাদ অদু খনগৎখিবনি হায়রি।

হৌজিক ৱেষ্ট ইন্দিজদা পাঙথোক্লিবা টেষ্ট মেচ মরিগী সেরিজদা ইন্দিয়ন টিমগী লুচিংলিবা ভিরাট কোহলিনা এন্টগুৱাদা পাঙথোকখিবা অহানবা টেষ্ট মেচতা ৱেষ্ট ইন্দিজবু মায়থীবা পীদুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি ।অদুবু জমাইকাদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা টেষ্ট মেচতদি ইন্দিয়া অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজনা ড্রো চৎখি।

অহুমশুবা টেষ্টনা হৌজিক সেন্ট লুসিয়াদা চথরি। অদুগা মরিশুবা গেমনা পোর্ট ওফ স্পেনদা শান্নগনি।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না লাউথোকখ্রবা টি ২০ গী স্কাদ মেম্বরশিং অদুদি মহেন্দ্র সিংহ ধোনি (কেপ্টেন), রোহিট শর্ম্মা, শিখর ধৌৱন, ভিরাট কোহলি, অজিঙ্কিয়া রাহনে, লোকেশ রাহুল, রভিন্দ্র জদেজা, রভিচন্দ্রন অশ্বিন, জাস্প্রিট ভুমরাহ, মোহম্মদ শামি, ভুবনেশ্বর কুমার, উমেশ যাদব, অমিট মিশ্রা অমদি ষ্টোর্ট বিন্নিনি।